সনালৈবাক

## এডিটৌরিয়েল

# সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংনা করি কান্নরিবা

ষ্টেট অসিদা ষ্টেটকী থাক্তা নৎত্রগা লৈবাক্কী ওইনা পাংথোক্লিবা থৌরমশিংগী মমাঙওইননা সেক্যুরিটিনা চেকশিন থৌরাং পায়খৎলি। মসি নুমিৎ খুদিংগী ওইনা পাংথোকপা থৌরম অমা ওইবগা লোয়ননা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মায়কৈদগীসু লেপ্তুনা থৌরাং অসি পায়খৎপা তারগদি নৌনা অমুক লৈবাক্কী ওইবা থৌদোক অমা লাকপা মতমদা নৌনা চেকশিন থৌরাং পায়খৎপগী মথৌ তারগ্লোই হায়না খল্লি। হৌজিক মণিপুরদা ইন্দিয়াগী রিপব্লিক ডে থৌরম পাংথোক্কদৌরিবা অসিগী মমাঙওইননা অকনবা সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং কয়া পায়খৎলি। নুংঙাইরিবদি চেকশিন থৌরাং অসি থা ৬ কী মনুংদা অদুমক মতম–মতমগী ওইনা পায়খৎলম্বা তারগদি মরুওইবা নুমিৎ অমা লাকপদা পায়খৎলিবা কা হেনবা চেকশিন থৌরাংশিং অসিগী মথৌ তারগ্লোই হায়বসিনি। হৌজিক তৌরিবা মওংসিদি মতৌ মালহনবগী মওং ঙাক্তনি হায়না লৌবদা থোইনা কায়রোই। মসিদা খ্বায়দগী হেন্না খুদোংচাদবা থেংনরিবা অসি য়াম্না কন্না নৎত্রগা হকচিন্না গভর্নমেন্টকী লৈরিবা রুলশিং অদু খঙদবা মীওইশিংদনি। অমরোমদনা রুলশিং অদু চৎনরগনি হায়না মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী নৎত্রগা ত্রাফিক পুলিসকী মায়কৈদগী করিগুম্বা মওং অমত্তদা লাউথোকপা তৌদনা চয়োল পালন অমা পাংথোকপদগী হৌরগা থবক অসি মখা চত্থরকপা অসিনি। মসিদা লাল্লিবসি মরুওইনা গাড়ীগী চ্যেক তৌগদৌরিবা ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী নত্তবদা ত্রাফিক পুলিস অমসুং মণিপুর পুলিসকী পার্সোনেলশিংনা মথৌ নত্তবা থবক অদু পাংথোরকপা অসিনি। মসি মমাঙদা হঞ্জিন–হঞ্জিন নৈনখ্রবা ঙাক্তনি। মসিদা মণিপুর সরকারগী লৈরিবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা ঙসি ফাওবা শেমদোকপগী মওং অমত্তা থেংনদ্রি। হান্না দিপার্টমেন্টকী মী ৱাৎপগী মতাংদা হোম দিপার্টমেন্টতা শীন্নখ্রিবা থৌওং অদু মখা অসুমক চত্থদুনা লৈবা অসি করম্বা ওর্দরগী মখাদনো হায়বা অসিমদি শোয়দনা হংনরকপা তাবনি। ৱাহংসিগী পাউখুম হৌজিক দ্রাইভ চত্থরিবশিংদা লৈরমগনি হায়বসি থাজদে। অচুম্বগীদি গাড়ী থৌরিবশিং অদুগী সেক্যুরিটি লৈহন্নবা থবক কয়া অসি চত্থরকপনি। মসিদা য়াম্না মরুওইবা থৌদাং লৌরিবী দি এস পি ত্রাফিক্কা তৌরিবা থবকশিং অদু তশেংনা থাগৎফম থোকই। মহাক্না মী চখোক চৎশিন তৌনবা লম্বীদা হায়বদি ফুট পাথতা খোঙনা চৎপা মীওই চৎহন্নবা অমসুং মদুদা অয়েৎপা পীদনবা ফুট পাথতা মরম চাদনা পোৎ য়োল্লিবশিং তানখাইবা অদু অফবা খোঙথাংনি। শম্না হায়রবদা লম্বী চৎপা মীওইশিং মশাগী চৎফম থোকপা মফমশিংদা চৎলু অমদি মদুদা চখোক চৎশিন্দা অপনবা পীহনবা য়ারোই হায়বা অদু মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনবনি হায়না লৌবা য়াই। য়াম্না ওথোরিটি লৈনা মথৌ তৌরিবী অদুগী মতাংদা থাগৎনবদি কয়া ফোংদোক্লন্দবা মাল্লি। মহাক্না মঙোন্দা শীন্নরিবা থবক অদু চপ চানা পাংথোক্লবা হোৎনজবদা মীয়াম্নসু সপোর্ট তৌফম থোকই। মদু নত্তবদা গাড়ীগী চে–চাং অদু য়েংনবা হোৎনবা অমদি গাড়ী থৌরিবশিংগী ক্রেদেন্সিয়েল কয়া অদু চপ চানা চ্যেক তৌনবা মথৌদি মখোয়দা লৈতে হায়বসিমসু খঙহন্নিংই। ত্রাফিক পুলিসকী মথৌদি লম্বীদা গাড়ী থাহন্দবা অমসুং চাং নাইনা ত্রাফিক সিষ্টেম অসি চত্থহনবা হায়বসিনি। মখোয়না তৌগদবা মথৌশিংগী মনুংদা মী চিল্লবা মফম কয়াদা গাড়ী থাফম ওইশিন্দুনা পার্কিং ওন্থোক্লিবা অসি থিংনবা হোৎনবনা হেন্না মরু ওইব্রা হায়বসি খঙহ্নবা চুম্মী হায়না লৌবা তাই। বি টি রোডতা নৎত্রগা অতৈ মফমশিংদা গাড়ী থাহন্দবা অদুদি হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎফম থোকই। মসি নত্তবদা পাউনা বজার অমসুং থাঙ্গাল বজারগী মফম কয়াদা পার্কিং স্পেস ওন্থোক্লিবা অসিদি অচুম্বা থৌরাং অমনি হায়না মীয়াম্না লৌবা ঙমদে। মসিমতংগা চুমথোক্লবা হোৎনরগদি শোয়দনা ইম্ফাল বজারগী এরিয়াদা ত্রাফিক কন্ট্রোলগী ওইনা অশোয়বা অমা ফাওবা লৈরোই হায়না খনবা য়াই। অদুনা সেক্যুরিটিগী চেকশিং থৌরাং মতম মতমগী ওইনা লৌখৎলিবা অসিদা লাক্লিবা অশোয়বা কয়া অসি লৈহল্লোই হায়রগদি মাঙজৌননা মথৌ তাবা থৌরাংশিং লৌখৎপা হায়বসিনা ওইগনি খল্লি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### থাজবা থম্নরক্তবা

***ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,***

সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী শেন্থং মখাদা লমদমসিগী থবক ফংদ্রিবা নহারোলশিংগীদমক পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিম–প্রোগ্রাম অমদি প্লানশিংদা থাজবা থম্নরক্ত্রে। গভর্নমেন্টকি থৌরাং অসিনা মখোয়গী পুন্সিবু লমজিংগনি হায়বসি ঙসিগী নহারোলশিংগী ৱাখলদা মমি মচেৎ অমা ফাওবা তাবা ঙম্নরক্ত্রে। মসিগী মরুওইবা মরমদি সমাজ অসিদা চৎনবী লায়না ওইনা নাদুনা লৈরবা করপসন অসিননি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

মণিপুরদা ঙসি ফাওবদা থবক ফংদ্রিবা নহারোলশিংগীদমক পায়খৎপা প্রোগ্রাম অমদি প্লানশিং অসুক্কি মতিক য়ামখ্রে। খরদং পল্লবদা প্রাইম মিনিষ্টর রোজগার য়োজনা ( পি এম আর ৱাই), স্পিসিয়েল ইমপ্লোইমেন্ট জেনেরেসন প্রোগ্রাম (এস ই জি পি) অমদি হৌজিক–হৌজিক চত্থরিবা প্রাইম মিনিষ্টর ইমপ্লোইমেন্ট জেনেরেসন প্রোগ্রাম (পি এম ই জি পি) অসিনচিংবনি।

হায়রিবা স্কিম–প্রোগ্রাম অমদি প্লানশিং অসিদা নহারোলশিংনা থাজবা থম্নরক্তবগী মরমদি মসিবু ফংনবা হোৎনবা মতমদা এপ্লিকান্টশিংগী নিয়মগী ৱাংমদা শেল য়াম্না লৌবা, মীচঙ শঙ্গ য়েংদুনা অচুম্বা খনবীদবা অমদি অরেম্বদা মতম য়াম্না চঙহনবা অসিননি হায়জনিংই।

থবক ফংদ্রিবা নহারোলশিংগীদমক পায়খৎপা থৌদাংশিং অসি হায়রিবা মরমশিং অসিনা মখোয়গী য়েক্লবা ওইহল্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা হীরম অসিদা কুপ্পা মীৎয়েং চঙহন্নিংই।

*অদোমগী,*

**চাউবা য়ুম্নাম,** শমুরৌ

# ইন্দিয়ান পোলিটিক্সতি থবক্তগী ঙাংবনা হেন্না ফৈ!

মতম অমদা মীত্রৈবাক–মণিপুরনা ‘ৱান নেসন ষ্টেট–কন্ট্রি’ অমা ওইনা, নিং–তম্না হাইনা হুম্না পাল্লম্লগসু ঙসিদি, বৃটিসনা লৈপাক মচা কয়া খোমজিল্লগা শেমগৎলম্বা, ঙসি ইন্দিয়া হায়না খঙনরিবা দিমোক্রেটিক কন্ট্রি অসিগী ফিবান্নুংদা চনখিদুনা, মসিগী ষ্টেট ওইনা লেপ্লি হায়বসি মালেম্না খঙনরবা অমনি। খৃষ্ট চহি ১৯৪৯ গী সেপ্টেম্বর ২১ গী নুমিৎ অসিদা, মর্জরবু ওইরে নৎত্রগা এন্নেক্সেসনবু ওইরে মীত্রৈবাক–মণিপুর অসি ভারত– ইন্দিয়াদা তিনখরে হায়বসিদি লেঙদ্রবা অমা ওইরি। ঙসি ষ্টেট অসিগী য়েলহৌ মপু পূম্নমক ‘ইন্দিয়ান’ নেসনেলিজমগী মরুম থুপ্না হিংলি। তৌবদবু ইন্দিয়ানশিং ইন্দিয়ান নেসনেলিজমদা তিল্লগসু, ষ্টেট অসিগা হৌমিন্নরকপা য়েলহৌ মপু ‘এ নেসন’ অমগী শক্তাক মিং (আইডেন্টিটি)বুদি লোৎশিন্দুনা থন্লগা, ইন্দিয়া য়ুনিয়ন অসিগী শাগৎ–পথাপ (কন্সটিটুয্সন)না ‘ইন্দিয়ান মণিপুরী’ হায়না শক তাক্লি। ইন্দিয়া য়ুনিয়ন শাগৎপদা য়াওখিবা, ৱেষ্ট বেঙ্গোল, তামিল নাডু, এ পী, এম পী, উত্তর প্রদেস, পঞ্জাবনচিংবা, ঙসিনা অচৌবা ষ্টেট অমমম ওইনা লেপ্লিবশিং অসিগী মপুশিংগী শকখঙ মমিংশিংবুদি ‘ইন্দিয়ানঃ বঙ্গালী, তামিল, সিখ নচিংবা শক্তাক মিং ময়েক শেংনা তাকপনা মায় পাক্না ইন্দিয়াননি হায়না চাউথোক্না লাউবা ঙল্লি। মীত্রৈবাক–মণিপুর ষ্টেট অসিগী অশেংবা মপুদি অশেংবা শক্তাক মিং পঞ্জবা ঙমহন্দনা, খাঙমুথক্কী অশেম্বা মিং ‘মণিপুরী’ হায়না তাক্তবা য়াদবনা, য়েলহৌ মপুগী অশেংবা ঈঠনিক আইভেন্টিটি তাকপা ঙমদনা মীরোৎকী মতৌদা ইন্দিয়ান ওইনা থম্বিরি। মমৈথংদা ঈরৈপাক্না ইন্দিয়াগী ওইহৌবা, হৌমিন্নরকপা য়েলহৌ মপুশিংনা অশেংবা ঈশাগী শক্তম ঙাক্না লেপ্লুবা মতমদা, ফোরেনর ওইনা লৌরগা কৈশুম–শঙদা পুন্সি লেনখিবসু ওইথোক্তবা নত্তে। মসিনা মরম ওইরগা, পলেম–ইমানা নুংশিনা, ইহান–হান্না থোনবিদুনা মালেমবু খঙহনবিরম্বা শক্তাক–শকখঙ মিংলেল, কাঙখুলদা নত্তনা ফৈদোম পুন্না মুৎখিবা অঙকপা ওইরোই! পঞ্জরিবা খরদং অসি, লৈবাক্কী অখঙ–অহৈ ইবুংঙো–ইবেম্মশিংনা থিজিনবিরক্লবা কলমগী অহৌবদা পুশিনজবনি, তেন্সিঞ্জগে। তৌবদবু ৱাফম অসি পোলিটিস্যান– কংলারোইশিংগী মথৌ ওইবনা, কংলারোইশিংগা মরী হকচিন্না লৈনগদবা, কলম অসিদা পুশিঞ্জবনি।

ঙসি ষ্টেট অসিদা লিংলিবা কংলারোল (পোলিটিক্স) শুরিবা কাঙলুপ পূম্নমক ইন্দিয়ান পোলিটিক্সগী মনুং চল্লি হায়দা য়ারোই। ঙসি ষ্টেট অসিদা লৈরিবা পার্টি পূম্নমক্না শুরিবা থৌশু অসি ইন্দিয়ান পোলিটিক্সগী মখাদনি। রিজনেল পার্টি ১–২ গুম্বদনি, অতৈ অয়াম্বদি নেসনল পার্টি ঙাক্তনি। মিং পঞ্জররোই, লৈবাক্না খঙনরবা ঙাক্তনি, কলম শাংনবনি। পূম্নমক ইন্দিয়ান পোলিটিক্সকী ফিদম লৌরিবনি। ষ্টেট অসিগী পোলিটিস্যানশিং ইন্দিয়ান পোলিটিক্সগী মমি ঙাক্তনি। ষ্টেট অসিগী পোলিটিকেল লীডর পূম্নমক্না লাউরিবা–তৌরিবা পূম্নমক নেসনেল লীডরশিংগী মতৌ লৌবা ঙাক্তনি। মতিঙ পুথোক্তুনা লাউরিবা অমদি তৌরিবা লুচিংবা পূম্নমক মীয়াম্না মশক মুন্না খঙরবা ঙাক্তনি। লুচিংবা খুদিংনা ঙাংবা–লাউবা, অমনা অমবু হুনবা–য়োনবা চৈবদি মপা লৈতবা ঙাক্তনি। চিন্দা কখোকপা, খুৎনা য়েপশিনবা হৈবদা মপা থিবা ফংলরোইদবা ঙাক্তনি। মখোয়না লাউরিবা–হুল্লি–তৌরিবদু লৈবাক্না তাবিরিগদ্রা খঙজদ্রিবা লুচিংবদুনা, লৈবাক্কী য়াইফনবা করম্বা থবক পায়রক্কদগে? চিন্দা কখোক্লগা খুৎ অনিনা য়েপশিল্লিবা লুচিংবদুনা ‘করপসন মুখৎসি’ হায়বা খোল্লাউ পুদুনা ভোৎ খোম্বসিবু, নাকোং শিঙজা য়ৈবা হায়বা পাউরৌদু তারোইদ্রনে? ঙসি লাউ–খোংলিবা, হুন্না লংনরিবা লুচিংবা শাবশিং ষ্টেট মীয়ম্না মশক খঙনরবা ঙাক্তনি। পার্টি অমদা পুক্নিং লুপতুনা হৌরক্লগা, মশাগী থৱায়মক্নি খঙনা, শিনি–নানি খঙদমখে, মাগী পার্টিবু পূম্নমক্তগী ফাবা পার্টিনি লাউরম্বদু, মশাগী খুদোংচাবা মরিক অমগীদমক, মশানা ফত্তে হায়না খুদোম্বী থিল্লম্বা পার্টিদুদা চোংশিনখিবা ঙাক্তনি। মসিনসু অরোইবা নত্তে, পার্টি৫–১০ দা খুৎ হুমদুনা ঙাকোম থিবদা নম্বরম ৱান ঙাক্তনি হায়বা লৈবাক্না খঙনরিবমক্তনি। রিজনেল পার্টিদা পোক্তুনা চাউরকপা, মীরক তিনবা ঙম্লক্লবা মতমদা, মশানা থেংনরকপা লমহুই–লৌশিংনা কুয়োম ওইরগা, নেসনেল পার্টি অমদা চোংশিল্লি। মীখলদা মায় পাক্লে, মীগী পার্টিনা লৈঙাক লিংলে। মিনিষ্টের ফম মুন্নবা য়াওরে, ফংহৌদরে। নিঙবা কায়রে, মশা য়াওরিবা, মশাগী পার্টিনা লুচিংলিবা কোলিসন গভর্নমেন্ট অদু থুগাইরগা, অনৌবা কোলিসন গভর্নমেন্ট অমা লিংনবা শরৌ তৌদুনা, মশা য়াওরিবা লৈঙাক থুগাই। অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্লে, লৈঙাকসিদসু খুদোংচাবা ফংদ্রে। নিংবা কায়রে, মথং মীখল নঙননবা, লৈবাক্না পাল্লিবা পার্টি অমা শাগৎনবা লৌ থিরক্লে। রিজনেল পার্টি অমা শাগৎলে, লুচিংবা ওইরে। মীখলদা মায় পাক্লে, মশাগী অপাম্বা ফংলে। লাইবক থীবা হায়বদুনি, মায়পাক্না লিংখিবা লৈঙাকসু মতম শুদনা নিংখায়খিবনা তৌফম খঙঙক্ত্রদুনা মতম কয়া অমা, পোলিটিক্সদগী নাথৈদুনা লৈখ্রব্রা খল্লুরবা তুংদা,

> **খন্নসি–নৈনসি–২৯২**
>
> **ৱাই চীঙ্খে ঙানবা লুৱাং**

খঙহৌদনা, লৈবাক্না মতমসিদা শিঙথানবা য়াওরিবা নেসনেল পার্টি অমদা, অঙম্বা থৌদাং লৌরগা চোংশিন্দুনা, লুচিংবা অমগী শায়োল লৌরিবশিংসু, পার্টি অমসুং লুচিংবা হুন্নবা–চৈনবী–লাউনবদা, শরুক য়াদুনা, লমজেল তান্নবা য়াওবগী পাউ মেদিয়া থোঙদগী মীয়মানা খঙবা ঙম্নরি। মরী লৈনবা খুদম (ডোকুমেন্ট) উৎপদি ঙমদনা, পুথোকপা ঙম্নদ্রবা মরান শঙ্গু অমা পুথোক্নদুনা অমনা অমবু শীধনবা, ঙসিগী ষ্টেটসিগী তৌদবা য়াদবা অমগুম তৌনরি।

সেন্টরদসু, রাজ্য সভা অমসুং লোক সভা অনিগী মীখল নাক্সিল্লকপসিদা পার্টি–পার্টিগী লীডরশিংনা হুন্নরি–লাউনরি মরাল শীনরি। ফনদি নুংঙাই, নাকোংদি শেগাইবা হৌনরক্লে। ইন্দিয়াগী খ্বায়দগী মাঙজিল থাবনি লৌনরিবা নেসনেল পার্টি কংগ্রেস পার্টি অমসুং বি জে পী অনিগী চিনগী প্রোপেগন্দা ৱার মেডিয়াগী পাউ ওইনরি। বি জে পীগী কেমপ্লেন খুতৌনা ‘প্রাইম মিনিষ্টর মীরেপ’ পুথোক্তুনা মীয়ামদা হেন্না থাজহনবা থম্না লাঞ্জংনা মকোক ওইরি। পী এম মীরেপ ওইনা পুথোক্লিবা ‘নরেন্দ্র মোদি’ গী মিং পল্লগা ইন্দিয়ান পূম্নমক্না বি জে পীবু শৌগৎনরক্কনি হায়বগী অচৌবা মঙলান অমা মঙবগুম তৌরি। অপিকপা অৱাং–নোংপোক ষ্টেটশিংগী মীয়াম খুজোক অমনদি, নরেন্দ্র মোদী কনানো খঙনরমদ্রগসু অচৌবা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংনদি য়াম্না মমুৎ তানা খঙনরম্মোই হায়বসু লানগনি খল্লি। অদুম্মকপু ক্বাকলা কোকীললা খোঙলগা খঙগদবা মঙায়রে! তেনৱানা মীরোল চিম্ফা পুরগা ঙাংবগুম্বা মোদীগী ৱাঙাং ‘কংগেসনা প্রাইম মিনিষ্টর মীরেপ পুথোকপা ঙমদবসি, কংগ্রেস গভর্নমেন্ট অমুক হন্না লাক্লরোই খঙবননি’ হায়বসিমদি ইন্দিয়ান পূম্নমক্না, মেডিয়াদগী তাবা ফংলি।

(লীচৎকী মিয়েংদা)

নাকল অমদা নেসনেল কংগ্রেসকী কেম্পেননা, কংগ্রেসনা লুচিংবা য়ু পী এ লৈঙাক্না টার্ম হঞ্জিন্না পায়বা ঙমখিবা অমদি টার্মশিং অদুদা মখোয়না থম্লম্বা এচিপমেন্টশিং উত্তুনা, অমুকসু মীয়ামগী থাজবা লৈহন্নবা হোৎনবনা মপুঙ ওইনা তৌরি। অমবু ওইরে, অমবু ওইরে, কংগ্রেস বি জে পী অমদি কংগ্রেস অমসুং বি জে পী নত্তবা পার্টি ময়াম অমা পুন্সিন্নবা ‘থার্ড পার্টি’ অমগা, অহুমসিনা মপুঙ ওইনা লান থেনবগী ওইথোকপা লৈরি। মসিনা মরম ওইরগা মীয়ামগী থাজবা মুন্নবদা, হায়নি–হায়রোই, হায়বা য়াবা–য়াদবা থিবগী মহুত্তা ঙাংনিংবদা ঙাংবা, লাউনিংবদা লাউবগী চৎনবী ওইরি। মসিনা লৈবাক মীয়াম্বু অফবা মীহুৎ খঞ্জবদা অৱাবা ওইহল্লি। মীয়াম পুক্নিং ফাদনবা মতম লৌমিন্নবা চংব্রা খল্লি। ঙসি ইন্দিয়াগী য়াম্লবা মীয়ামগী পুন্সি মরেল য়েংবা চঙই। লুচিংবা শাবা, লৈবাক্কী ঈ চুপ্লগা মশাগী মিংচৎ তাল্লিবা–তাল্লিবীশিং অসিগী লাংবল খোইহী তৈবা চিনবালগী নুংশিরবা মোইথেম ৱাহৈ, তিম্ব্রোক্কী মহুত্তা ৫০০–১০০০ চৎপীনা য়োম্বা খোই থাক্লকপদা কম্লাক নিকপা, মিহুল হৌবা, অপাম্বা –মিহৌবনা ইশাবু ইশানা মৈনুংদা লংশিনবা তোকপনা চুমগনি খল্লি। মীয়াম্না খঙলবা লাংবন খোইহী তৈবা তৈবী লুচিংবশিংসু, লৈবাকপু মোইথেম তৌবদা পাঙ্গল–লৌশিং শীজিন্নবগী মহুত্তা, ইন্দিয়াগী য়াম্লবা মীয়াম্বু, চাং মান্ননা, নোংমগী চরা অনিদং ফংহনবিদুনা, পুক্নিং লৈতানা হিংবগী মহাউ ফংহন্নবা, পুক্নিং শেংনা হোৎনবিরো! ঈরৈবাক ইন্দিয়া মালেমগী ফিদম্নিঙাই ওইহল্লসি হায়বা মেসেজ অসি পীজরি। মাঙগী ইন্দিয়ান পোলিটিক্স অসিদি খুৎ তেক্লবা, চিন্না থবক শুবা, মালেমগী নম্বর ৱাননি হায়বা মীয়াম্না খঙমিন্নরসি। লৈবাক মীয়ামসু উনিংথৌগুম অচঙবা মতিক–চাবা ঙাক্তা ওইহল্লসি। উনিংথৌ উকোলদগী খল্লগা য়ানবা, মচি কারবা উখোঙদি, লায়না লৈপাক্না চাবা ঙমদে হায়বসি কাউনরগুমসি!

# অনৌবা পেন্সন বিল

## (পি:এফ:আর:দি:এ: বিল ২০১১ গী মতাংদা য়াম্না তোয়না হংবা ৱাহং খরা)

*১। অনৌবা পেন্সন বিলনা করি তৌবগে?*

পি: এফ. আর: দি: এ: বিল ২০১১ (আইন ওইহন্নবা থৌরাং শিল্লিবা) অসিনা ওথোরিটি অমা লিংখৎকনি। হায়রিবা ওথোরিটিসিনা অহল ওইবশিংগী ইনকম সেক্যুরিটি ফংনবা পেন্সনগী শেল লিংখৎপা, চাওখৎহনবা অমদি রেগুলেট তৌবা, লোয়ন–লোয়ননা পেন্সন শেলগী স্কিমদা য়াওবা মীওইশিংগী ঙাকশেলবনি।

ওক্টোবর ১০,২০০৩ অমসুং নভেম্বর ১৪,২০০৮ গী সরকারগী ৱারেপকী মতুং ইন্না মপুং ফারবা ইন্টরিম ওথোরিটি শেমখ্রবনি। বিল অসি পাস তৌরবদি ইন্টরিম পি: এফ. আর: দি: এ: সি ইশিন্দুনা থম্বা আইন অমা ওইবগা লোয়ন–লোয়ননা হান্না ন্যু পেন্সন স্কিম হায়না খঙনরম্বা নেসনেল পেন্সন সিষ্টেম অসি চাওখৎহনবা অমসুং রেগুলেট তৌরগনি।

*২। এন: পি: এস: হায়বসি করিনো?*

নেসনেল পেন্সন সিষ্টেম অসি সরকারনা থবক্তগী পোত্থারবা মীওইশিংদা ইনকম চপ চানা পীবা ঙম্নবা শিনবা স্কিম অমনি।

এন: পি: এস: হায়বসি য়াম্না লায়বা, শেল চংদবা অমসুং খাজনাদা কান্নবা রিটয়ারমেন্ট সেভিংস একাউন্টনি। মসিগী মখাদা য়াওগদবা মীওইশিংনা মশাগী রিটয়ারমেন্ট একাউন্টতা শরুক হাপকনি। মীওইদুগী ইমপ্লোয়রনসু মাগী য়াইফনবগীদমক মাগী একাউন্ট তুদা শরুক য়াবগী খুদোং চাবসু লৈ।

এন: পি: এস: সি: defined contribution basis কী মওংদা শেম্বনি। হায়বদি মীদুনা মশাগী একাউন্টতুদা শরুক হাপকনি অদুবু মসিগী সিষ্টেমসিদগী থোকপা মতমদা ফংগদবা কান্নবা অদুগী অরেপ্পা লৈতে। ফংগদবা শেনফম অদুদি মীওইদুনা হাপখিবা শরুক অমসুং অদুনা investment তৌবদগী ফংবা ইনকমদুগী মখা পোল্লি। অরোইবদা ফংবা পেন্সন অদুদি মীদুনা মমাংগী চহিশিংদা হাপখিবা শরুক, এদমিনিষ্ট্রেটিভ অমসুং ফন্দ মেনেজমেন্টকী চার্জ অদু শেনফমদুদগী ককখ্রবা অমসুং ইনভেষ্টমেন্ট তৌখিবদগী ফংলকপা শেনফমদুগী মখা পোল্লি।

হাপ্পিবা শরুক য়াম্নিবমখৈ ইনভেষ্টমেন্ট হেল্লক্কনি, মতম শাংনা থিরিবমখৈ শেনফম চাউগনি অদুগা কক্কদবা শেনফমদু য়ামদ্রিমখৈ অরোইবদা ফংগদবা পেন্সন চাউগনি।

*৩। পেন্সন ফন্দ অসি করিগী য়াওগদৌরিবনো?*

অহল ওইরবা থবক্তগী পোত্থারবা অমসুং শেল তানবা ঙম্বগী শক্তি হন্থরবা মীওইশিংদা পেন্সননা ফাইনান্সিয়েল সেক্যুরিটি পীগনি।

*৪। পেন্সন বিলনা হায়রিবসি করিনো?*

পি: এফ. আর: দি: এ: বিল ২০১১(আইন ওইহন্নবা থৌরাং শীল্লিবা) অসিনা ওথোরিটি অমা লিংখৎকনি। হায়রিবা ওথোরিটিসিনা অহল ওইবশিংগী ইনকম সেক্যুরিটি ফংনবা পেন্সনগী শেল লিংখৎপা, চাওখৎহনবা অমদি রেগুলেট তৌবা, লোয়ন–লোয়ননা পেন্সন শেলগী স্কিমদা য়াওবা মীওইশিংগী ঙাকশেলবনি। ওথোরিটি অসিনা পি: এফ. আর: দি: এ: এক্ট কী চৎন পথাপকী মতুংইন্না নেসনেল পেন্সন সিষ্টেম অসিদা য়াওরিবা মীওইশিংগী কান্নবা তৌরক্কনি। হায়রিবা ওথোরিটি অসিনা *এন: পি: এস:* নত্তবা অতোপ্পা পেন্সন ফন্দশিংসু রেগুলেট তৌবা ঙম্মী।

*৫। এন: পি: এস:অসি য়াওদবা য়াব্রা?*

০১.০১.২০১৪ দগী পব্লিক সর্ভিসতা খল্লকপা মীওইশিং নৎত্রগা ওল ইন্দিয়া সর্ভিসতা খল্লকপা মীওইশিংদা এন: পি: এস: অসি তঙাই ফদনা য়াওগদবনি। সেন্ট্রেল ওটোনোমস বোদিশংদা থবক তৌবা মীওইশিংবু মসি শোইদনা য়াওগদবনি। এন: পি: এস: অসি ষ্টেট সরকারগী থবক তৌবা অমসুং ষ্টেট সরকারনা অয়াবা পীবা ওটোনোমস বোদি খরনা য়াওবা য়াই।

২০০৯ গী মে দগী এন: পি: এস: অসি ভারতকী প্রজা পূম্নমক্না য়াওবা য়াখ্রে। এন: পি: এস: অসি Corporates ময়ামদসু শন্দোকখ্রে। Corporates তুদা থবক তৌরিবা মীওই য়াওনিংবশিংনসু এন: পি: এস: য়াওবা য়ারে।

*৬। মসি য়াওরিবা মীওইশিংনা মখোয়গী তুংশিল্লিবা শেলগী শরুক কয়ানা ষ্টোকতা অমসুং শরুক কয়ানা* debt *তা থাদগদবনো হায়বসি লেপ্পা য়াব্রা?*

হৌজিক্কী ওইনদি সরকারগী থবক তৌবা মীওইশিংদা লৈরিবা শেল থাদবগী মখলশিং Asset class E (equities), Asset class C (corporate Debts) অমসুং Asset class G (government security) সি মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্সনা থোকপা অগষ্ট কী তাং ১৪,২০০৮ গী চে No. F. No. 5(88)/ 2006-PR গী মতুং ইন্ননি। অতোপ্পা মীওইশিংগীদি মখোয়না খল্লিবা স্কিমগী মতুং ইন্না অপাম্বা খনবা য়াগনি।

৭। Stock price crash *তৌরবদি পেন্সনদা শোক্কদ্রা?*

য়াওরিবা মীদুগী rate of return অমসুং NAV (net Asset Value) দা মার্কেটতা লৈবা risk না খরা অদুম শোক্কনি।

*৮। য়াওরিবা মীদুনা মাগী অপাম্বা ষ্টোকতা শেল থাদবা য়াব্রা?*

পেন্সনগী শেল শেন্নরিবশিংনা য়াওরিবা মীওইশিংগী শেল অদু থাদনবা খ্বায়দগী চান্নবা ষ্টোক অদু খনবীগনি। অদুবু য়াওরিবা মীওই মশানা ষ্টোক খনবদি য়ারোই।

*৯। য়াওরিবা মীওইশিংনা শেল অদু লৌথোক্কিংবা মতমদা লৌথোকপা য়াব্রা নৎত্রগা থবক্তগী পোত্থারবা মতমদখক্তং লৌথোকপা য়াব্রা?*

য়াওরিবা মীদুনা এন: পি: এস: তগী থোকপা অমসুং তুংশিল্লগা লৈবা পেন্সনগী শেনফম অদু হায়রিবা পাম্বৈশিং অসি তৌরগা লৌথোকপা য়াগনিঃ

১) চহি ৬০ শুবা মতমদাঃ য়ামদ্রবদা পেন্সনগী অপুনবা শেল চাদ (শরুক) ৪৫০ দি য়াওরিবা মীদুদা থা–থাগী পেন্সন ওইনা পীগনি। লেমহৌরিবা শেলদুনা পুল্লপ মীদুদা পীগনি।

২) য়াওরিবা মীদুনা লৈখিদ্রবা মতমদা, পেন্সনদা তুংশিল্লগা লৈবা শেনফম পুল্লপসি (শরুক ১০০) য়াওরিবা মীদুগী নোমিনি–

ফিচর – পি আই বি

লিগেল হৈয়র দুনা ফংগনি। শেনফম অদু পুল্লপ ফংবা মতুংদা থা–থাগী পেন্সনদি ফংলরোই।

৩) চহি ৬০ শুদ্রিঙৈদা এন: পি: এস: তগী থোকপা য়ামদ্রবদা পেন্সনগী অপুনবা শেলদগী চাদ শরুক ৮০ দি য়াওরিবা মীদুদা থা–থাগী পেন্সন ওইনা ফংগনি। লেমহৌরিবা শেনফমদুনা পুল্লপ মীদুদা পীগনি।

*১০। এন: পি: এস:না ইন্দষ্ট্রিদা কান্নবা পীব্রা?*

এন: পি: এস: না মতম শাংনা থাদরিবা শেল শীজিন্নদুনা ইন্দষ্ট্রিনা মখোয়গী ইনফ্রাষ্টকচর শেমগৎপদা য়াম্না কান্নে। ইন্দষ্ট্রিশিংনা মখোয়গী মখাদা থবক তৌরিবা মীওইশিংগী কান্নবা এন: পি: এস: অসি য়াওহনবসু য়াই।

> ***মসিগী বিল অসি করম্বা মতমদা ইহান হান্না হৌদোকখিবনো?***
>
> ২০০৫ কী মার্চ তা পি: এফ. আর: দি: এ: বিল ২০০৫ সি লোক সভাদা ইহান হান্না হৌদোকখি অদুবু ১৪ শুবা লোক সভা দিজোব তৌবনা মরম ওইদুনা পাস তৌখিদ্রে। মসিগী মমাঙদা ২০০৪ গী দিসেম্বর ২৯ দা পি: এফ. আর: দি: এ: ওর্দিনান্স সি সরকারনা লাউথোকখিবনি।